# লাইশ্রম সরিতা অমসুং পেরালিম্পিয়ন ঝাঝারিয়া সেলেক্সন কম্মিটিদা য়াওখ্রে





ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): মমাংদা নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ওইরম্লবী লাইশ্রম সরিতা লোয়নননা পেরালিম্পিক মেদল অহুম্লক ফংবা ঙমখ্রবা জেভলিন থ্রোৱর দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়া অমদি হান্নগী ক্রিকেটর ভেনকাটেশ প্রসাদ নেসনল স্পোর্টস এৱার্দশিং ফংগদবা শান্নরোয়শিং খন্ননবগী সেলেক্সন কম্মিটিদা য়াওখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না সেলেক্সন কম্মিটি অসি সুপ্রিম কোর্টকী রিটায়র্দ জজ জষ্টিস মুকুন্দাকম শর্ম্মনা চ্যেরপর্সন ওইগদৌরি। চেরোল অদুদা কম্মিটিগী মমিং পীরকপশিং অদুগী মনুংদা মমিং লৈরবা নুপীগী শুটর অঞ্জলি ভগৱট অমসুং হান্না ইন্দিয়াগী নুপী টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বী অঞ্জুম চোপ্রাসু য়াওরি।

নীংশিংবায়াই, দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়া টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা মহাক্কী কেটগোরি অদুদা সিলভর ফংদুনা মহাক্না কুমজা ২০০৪ অমসুং ২০০৬ এথেন্স অমসুং রিও পেরালিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ২ ফংখিবা অদুগী মথক্তা হন্দক্কী অসি থারগা অহুম্লক শুবনি।

চহী অসিগী ওইনা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ পীবগী মতম অসি লৈঙাক্না মতম থেংথখি। মসিগী অচৌবা মরমদি ইন্দিয়াগী টিমনা ওলিম্পিক অমদি পেরালিম্পিক গেমসকী পর্ফোর্মেন্স অদু ঙাইখিবনি। লাক্কদৌরিবা নুমীৎ খরনি অসিদা সেলেক্সন কম্মিটিনা খন্নরবা মতুং করম-করম্না শান্নরোয়শিংনা এৱার্দ ফংগদগে হায়বদু লেপকদৌরি।

ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ওলিম্পিক গেমস অমসুং পেরালিম্পিক গেমস অনীমক্তা হান্না লৈরমখিবা মেদল মশীংশিং অদুদগী হেনগৎতুনা রেকোর্দ থম্লিবনি। ওলিম্পিক গেমসতা নিরজ চোপ্রানা গোল্ড মেদল ফংখি। মণিপুরগী মিরাবাই চনুনা সিলভর ফংবদা য়াওখি। লোয়নননা রবি কুমার দহিয়ানা রেষ্টলিংদা অতোপ্পা সিলভর ফংখি। অদুগা পেরালিম্পিক্সতা ইন্দিয়ানা পূন্না গোল্ড মেদল ৫ য়াওনা মেদল ১৯ ফংখিবনি।

নেসনল স্পোর্টস এৱার্দতা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা পীগদৌরিবা মনা অসি খেল রত্না এৱার্দনি। মমাংদা এৱার্দ অসি রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ হায়না খঙনরম্লবা মতুং চহী অসিদা নৌনা মমিং হোংদোক্তুনা ধ্যান চান্দ খেল রত্না এৱার্দ হায়না খঙনরবনি। হায়রিবা এৱার্দ অসিদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ২৫ পীগদৌরি। মসিগী মথংদা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী ওইনা অর্জুনা এৱার্দ পীগদৌরি। মনা অসিগী ওইনা লুপা লাখ ১৫ ফংগদৌরি। কোচশিংগী ওইনা দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ লৈরি। লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ, রাষ্ট্রিয়া খেল প্রোটসাহন পুরুস্কার লোয়নননা মৌলানা অব্দুল কলাম অজাদ ট্রোফি য়াওরি। সেলেক্সন কম্মিটিদা কোচ বলদেভ, সাইগী দিরেক্টর জেনরেল সন্দিপ প্রধান অমসুং জর্নেলিষ্ট অনী- বিজয় অমসুং বিক্রান য়াওরি।

# আর টি-পি সী আর টেষ্ট লিশিং ৩০ তৌগদৌরি

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী লেমহৌবা গেম ৩১ লোইশিন্নবা হোৎনরকপদা শান্নরোয়শিং, সপোর্ট ষ্টাফ অমদি মরী লৈনবা মীওই পুম্নমক্কী ওইনা আর টি-পি সী আর টেষ্ট লিশিং ৩০ তৌগদৌরি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট চহী অসিগী অঙনবা শরুক ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লম্বদগী ময়াই চনশিল্লকপদা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফকী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী লেপখিবনি। বি সী সী আইনা য়ু এ ঈগী সিটি দুবাইদা বেজ তৌবা ভি পি এস হেল্থ ক্যেরগা খুৎশম্নদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী মনুংদা নুমীৎ হুম্নি-হুম্নি কান্নরগা মরী লৈনবা মীওই পুম্নমক কোভিদ-১৯গী ওইবা আর টি-পি সী আর টেষ্ট অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। ভি পি এস হেল্থ ক্যেরনা মফম অদুদা শান্নরোয়শিংগী ইমর্জেন্সি ট্রিটমেন্ট, স্পোর্টস মেদিসিন এক্সপর্টশিং অমদি এয়র এম্বুলেন্স সপোর্টসু পীগদৌরি।

থা অসিগী ১৩দগী হৌগদৌরিবা আই পি এল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং বাইও ববলদগী হেন্দোক্তনবা মখোয়না লৈরিবা হোটেলশিং অদুদা নর্সিং অমদি মেদিকেল ষ্টাফকী খূদোংচাবা পীগদৌরি।

মমাংগী চহীদা মফম অদুদা পাঙথোকখিবা আই পি এলদা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং নুমীৎ মঙানি-মঙানি লৈরগা টেষ্ট তৌখিবনি। হন্দক চেকশিনবা হেনগৎতুনা নুমীৎ হুম্নি লৈরগা পাঙথোক্কদৌরি।

শান্নগদৌরিবা ষ্টেদিয়ম খূদিংমক্তা দোক্টর, নর্স, পেরামেদিক্স অমসুং লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন য়াওবা টিম ২/২ লৈগদৌরি। শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং লাক্লিঙৈ মাং ওইননা ভি পি এস হেল্থ ক্যেরনা দুবাই অমসুং অবু ধাবীদা লৈবা হোটেল ১৪ অদুগী ষ্টাফ ৭৫০ হেন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরি। হায়রিবা হেল্থ ক্যের সিষ্টম অসিনা নোংমদা আর টি-পি সী আর টেষ্ট ২,০০০ পাঙথোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈ।

হেল্থ ক্যের অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ডা. সাজির গাফরনা ফোঙদোকখিবদা, বাইও ববলশিং অদুদা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা টুর্নামেন্ট অদু লোইদ্রিবা ফাওবা মেদিকেল টিমশিং অদু মফম অদুদগী হেন্দোক্তনা লৈহনগদৌরি।

# মাইস্নাম মৈরাবা য়ুক্রেন ইন্টরনেসনলগী ক্বালিফাই ওইদুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



খার্কিভ, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): চহী অসিদা নৌনা জুনিয়র থাক্তগী সিনিয়র থাক্তা শরুক য়ারকপা ঙমখ্রবা জুনিয়র ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরম্বা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ঙরাং য়ুক্রেনগী খার্কিভতা পাঙথোকপা ভিক্টর য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মায় পাক্লদুনা ম্যেন দ্রোদসু অহানবা রাউন্দ থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন অদুগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা মলেসিয়াগী কোক জিং হোংবু অহানবা গেমদা শোথরম্লবা মতুং য়াম্না ফজবা মওংদা থংনবা গেম অনী মায় পাক্লগা ম্যেন দ্রোগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। মলেসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা অহানবা গেম অদু শুপ্পগী মিনট ৬তা মৈরাববু পোইন্ট ২১-৭তা থোইরগা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু মমাংগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা য়োনেক্স লাটভিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা সিনিয়র ওইনা অহানবা শরুক য়ারকপদা মৈরাবা লুৱাংনা টাইটল লৌদুনা ফজবা ঙমখিবনি।

এক্সপরিয়েন্স অদুনা মলেসিয়াগী কোক জিং হোংগী মশান্না অদু অহানবা গেম অদুদা খঙদোকপা লোইরবা মতুং মৈরাবনা অনীশুবা গেমদগী কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লকখি। অনীশুবা গেম অদু মহাক্না মলেসিয়াগী শান্নরোয় অদুবু ২১-১৪দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদসু মৈরাবনা ফজবা হেল্লক্তুনা ২১-১২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ম্যেন দ্রোগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ম্যেন টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা মৈরাবা লুৱাংনা অতোপ্পা ক্বালিফায়র য়ুক্রেনগী ওলেক্সান্দর স্মুনদিয়াকপু ইকোম কোম্না অহানবা গেম অদু ২১-৮দা থোইরগা মাঙজিল থাখি। অদুবু য়ুক্রেনগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অনীশুবা গেমদা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবনা মরম ওইরগা মৈরাবগী পোইন্ট অদু কন্না তানরকখি। গেম অদু য়াম্না নক্লনা পোইন্ট ১৯-১৯দা লৈনরম্বদগী মৈরাবনা মখা তাবা পোইন্ট ২ লৌবা ঙমদুনা ২১-১৯দা থোইখি।

মৈরাবগী অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারক্লিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় চিরাগ সেনগা লম্বা তৌনরগনি। চিরাগ সেননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মাল্টাগী শান্নরোয় মেথিয়ু এবেলাবু ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-১২, ২১-১১দা থোইখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৪সু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

# কানাদাগী লেলা ফর্নান্দেজ অমসুং বেলারুসকী এরিনা সভালেনকা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

US OPEN





ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা কানাদাগী শান্নরোয় লেলা ফর্নান্দেজ অমসুং বেলারুসকী শান্নরোয় এরিনা সভালেনকা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

মশাগী চহী ১৯দা ঙাইরিবী লেলা ফর্নান্দেজনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু সেট ২-১দা থোইখি। অহানবা সেট অদু ফর্নান্দেজনা স্বিটোলিনাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেটতা স্বিটোলিনাগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা ফর্নান্দেজকী সর্ভিস গেম অমা অমুক ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নখি। দিসাইদিং সেট অদুদা লম্বা হেঞ্জিন্নখিদবদগী গেম ৬/৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক শান্নবদা ফর্নান্দেজনা ৭-৫দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা, অনীশুবা সিদেদ এরিনা সভালেনকানা ৮শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রাইচিকোভাবু ইকোম কোম্না ৬-১, ৬-৪দা থোইরগা সেমীফাইনেল চঙখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা কানাদাগী ফেলিক্স ওগর ইলিয়াসিমনা কুমজা ১৯৪৮দা এরিক ষ্টুরগেসনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি। মহাক্না স্পেনগী চহী ১৮দা ঙাইরিবা কার্লোস অলকারাজগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু গেম ৩-১দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ অলকারাজ মফৈগন শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা রিটায়র্দ তৌদুনা ফেলিক্স সেমীফাইনেল চঙখি। অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা নেদরলেন্সকী বোটিক ভান দি জানস্কুল্পপু ৬-৩, ৬-০, ৪-৬, ৭-৫দা থোইদুনা ফেলিক্স এলিয়াসিমগা সেমীফাইনেলদা লম্বা থেংনরগনি।

নুপাগী দবলসতা য়ু এসকী ষ্টিভ জোন্সন অমদি সাম ক্বেরিগী প্যেরনা গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসবুরি অমদি য়ু এসকী রজিব রামগী প্যেরগা সেমীফাইনেল থেংনগনি। অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেস অমদি গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরেগী প্যেরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পিয়র্স অমদি স্লোভাকিয়াগী ফিলিপ পোলাসেককা শান্নগদৌরি।

নুপীগী দবলসতা চাইনাগী ঝাং স্বাই অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এসকী কেরোলিন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী সেন্দর্স থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌখি।

# ফিফা ক্বালিফায়িংদা গ্রিজমানগী পাঞ্জল ২না ফ্রান্স মায় পাকহনখ্রে, মেমফিস দিপেগী হেটট্রিকনা নেদরলেন্দসনা টর্কিবু ৬-১দা থোইখ্রে



বুদাপেষ্ট, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী গ্রুপ দিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ফ্রান্সকী মায়কৈদগী এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ফিনলেন্দবু ২-০দা থোইখ্রে। গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী মেমফিস দিপেগী হেটট্রিকনা টর্কিবু ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

বুদাপেষ্টকী গ্রুপামা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অদুদা ফ্রান্সকী মায়কৈদগী ফজবা হেন্দুনা ঙন্না এটেক চথুরকখি। শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা করিম বেঞ্জিমানা পীরকপা বোলদা এন্টোইন গ্রিজমাননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা লিও দুবোইনা খায়দোরকপা বোল অদু গ্রিজমাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২-০দা মখোয়না থোইদুনা গ্রুপ অসিগীদা মেটচ ৬ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ফ্রান্স পোইন্ট ১২ ফংলগা মাঙজিল থারি।

গ্রুপ জিদা ঙরাং নেদরলেন্দসনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং অর্মষ্টদামদা লৈবা জোহান ক্রুপ এরেনাদা টর্কিগা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু নেদরলেন্দসনা হৌবদগী খূদুম চন্না শান্নখি। অহৌবা মিনটতা মেমফিস দিপেনা পীবা বোল অমদা দাবিক্লাসেননা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ১৬ চঙশিল্লকপদা ক্লাসেননা অমুক পীবা বোল অমদা মেমফিস দিপেনা মহাক্কী হেটট্রিককী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইশিল্লক্লবদা মেমফিস দিপেনা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা টর্কিবু মখোয়না ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা মেমফিসনা মহাক্কী হেটট্রিককী পাঞ্জল অদু টিমমেট ষ্টিভেন বর্গ্যুইসনা পীরকপা বোলদা চন্দুনা ৪-০দা লৈখি। পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রবা টর্কিগী মায়কৈদা শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী গস টিলনা টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ১০ লৈরগা টিমমেট দোনিল মালেননা ৬শুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা টর্কিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু সেনগিস অন্দরনা চনখি। গ্রুপ অসিদা নেদরলেন্দস অমসুং নোরৱে পোইন্ট ১৩/১৩ ফংমিন্নরি।

গ্রুপ এফতা দেনমার্কনা ইজরেলবু ৫-০দা থোইদুনা রাউন্দ ৬ লোইশিল্লকপদা মেটচ অমত্তা মায়থীদনা পোইন্ট ১৮ ফংলগা মাঙজিল থারি। দেনমার্ককী মায়কৈদগী পোলসেন, সাইমন, ওলসেন, দিলানি অমসুং কোর্নেলসনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

# করাটে চেম্পিয়নশিপকীদমক শান্নরোয় ৭ খোঙশানখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): গুৱাহাটিগী নালাপারা রোদতা লৈবা সেমফোর্দ ফুচ্যুরিষ্টিক স্কুলদা থা অসিগী ১০দগীনা ১২ ফাওবা নুমীৎ হুম্নি চত্থগদবা ৭শুবা আই এস এফকী নেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী মোরে টাউনদগী করাটে শান্নরোয় ৭ খনগৎলবা মতুং ঙসি খোঙশানখ্রে।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরেদগী নুপামচা মঙা অমসুং নুপীমচা অনী খনগৎখিবনি। নুমীৎ হুম্নি চত্থগদৌরিবা ৭শুবা আই এস এফ কে নেসনল করাটে চেম্পিয়নশিপ অসি ইন্টরনেসনল সোটোকান করাটে ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি। শান্নরোয় ৭ অদু সিনসিটকাই সিটো রু করাটে দো মণিপুরগী মোরেদা লৈবা ব্রাঞ্চতগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ৭ অদু খনগৎখিবনি। কোচ অরাংবম গ্রেটসন মৈতৈনা লুচিংখিবা টিম অদু ঙসি মোরেগী ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাউবুংদা থৌনীরবা মতুং মোরে থাদোকখিবনি। শান্নরোয় অমদি কোচ লমথাবগী থৌরম অদুনা মৈতৈ কাউন্সিল মোরেগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল তোম্বনা ফ্লেগ ওফ তৌখি।

# জস্প্রিট বুমরা অমসুং সর্দুল থাকুরগী টেষ্ট রেঙ্কিংগী পোজিসন হাইগৎলক্লি

দুবাই, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা টেষ্ট ক্রিকেটকী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী বোলর জস্প্রিট বুমরা অমসুং সর্দুল থাকুর মখোয়-মখোয়না হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী হাইগৎপা ঙমখ্রে।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগী ৪শুবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফাষ্ট বোলর জস্প্রিট বুমরা হান্না ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৯শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। অমরোমদা, ওল রাউন্দর সর্দুল থাকুর বেটিং অমসুং বোলিংগী রেঙ্কিংদা য়াম্না চাওনা হাইগৎপা ঙমখি। বেটিংদা থাক ৫৯ হাইগৎলগা ৭৯ শুবা থাক য়ৌরকখি। লোয়নননা বোলিংদা থাক ৭ হাইগৎলগা ৪৯শুবা থাক্তা লৈরি।

মরিশুবা টেষ্ট মেটচ অদুদা মেন ওফ দি মেটচ তাদুনা রন ১২৭ য়ৈখিবা ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মা টেষ্ট বেটসমেনশিংগী হান্না লৈখিবা ৫শুবা পোজিসন অদুদগী হোংখিদে। অদুবু ওল রাউন্দরশিংগী পরিংদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা টেষ্ট সেরিজ অসিদা শান্নবা য়াওখিদবা ইন্দিয়াগী রবিচন্দ্রন অস্বিন থাক ১ হন্থরগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# শান্নবুংদা ফ্লদলাইট থানখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংদা লৈরিবা নহারোলশিং অমদি শান্নরোয়শিংগীদমক য়েংদুনা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি ৱাই সী সী)গী ষ্টেট কোওর্দিনেটর উশম মংলেমনা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগা খুৎশম্নদুনা শান্নবুংশিংদা ফ্লদলাইট থানদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা এসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী মনুং চনবা নীংশিং লূপ তেকচমগী শান্নবুংদা ফ্লদলাইট থানদুনা নুমীদাংগী মতমদসু শান্নবা য়াহনখ্রে।

শান্নবুংদা পোষ্টনচিংবা য়ুংদুনা মৈ থাননবা শেম্বা শাবা লোইরবা মতুং মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং নুমীদাং নীংশিং লূপকী শান্নবুংদা পাঙথোকখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা এম পি ৱাই সী সীগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর উশম মংলেমনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা রজিব গান্ধীগী চহী অমা চুপ্পা চত্থগদবা ৭৭শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা অমদি রজিব গান্ধীনা মঙজরম্বা মঙলান নহারোলশিংদা পৱার পীবা অমদি শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওরম্বা অদুগী মতুংইন্না নহারোলশিংগী ৱাখল্লোনবু খঙলদুনা ঙসিগী মতেং অসি তৌজবনি। ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা এ সী অসিগী য়ুথশিংগা উনদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বশিং তাথোক-তাশিন তৌনদুনা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। শান্নবুংদা মৈ থাল্লিবা অসিগী মতুং তারকপদসু তোঙান তোঙানবা শান্নবুংশিংদসু ফ্লদলাইট থাননবা থৌরাং তৌবা লোইরেসু হায়খি।

ক্লব মেম্বরশিং অমদি লৈকায় মীয়াম য়াওনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকপা থৌরমদা উশম মংলেমবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মতুং তারকপদসু মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা অমদি মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়নসু নীংশিংলূপ তেকচমগী মেম্বরশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা জি এ এম এম এদা মেদল অনী ফংলকখ্রবা দিনেশ নাওরেম ওকখ্রে



ককচীং, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): গ্লোবেল এসোসিএসন ওফ মিক্স মার্সিএল আর্ট (জি এ এম এম এ)না শীন্দুনা মমাং থাগী ২৪দগী ২৮ ফাওবা কির্গিষ্টানদা পাঙথোকখিবা জি এ এম এম এ এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল অমসুং সিলভর মেদল পূন্না মেদল অনী লৌরকখ্রবা দিনেশ নাওরেম অপোকপা লৈখিদ্রবা নাওরেম য়াইমা অমদি নাওরেম মোনবী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে অমদি পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে।

ককচীং লমদোংদা লৈবা নাওরেম ভুবোন চেক্কোনদা লৈবা শান্তিখূদোল শঙদা পাঙথোকপা থৌরমদা ভুবোন চেক্কোনগী মপূ নাওরেম নোপুর অমদি মহাক্কী লোয়নবী নাওরেম ওংবী বিজয়াপতি অমদি নাওরেম দিনেশনা শান্নবা চৎত্রিঙৈ ইমুং-মনুংগী তেংবাঙ ওইনা চেক্কোন অদুদা থবকশূমিন্নখিবা শিন্মীশিংনা শরুক য়াদুনা দিনেশ নাওরেমনা মেদল অনী ফংলকপদা ইনফি অমদি শেলগী তেংবাঙ পীদুনা দিনেশ নাওরেমবু পূক্লিং থৌগৎপা অমদি মখা তারকপদা হেন্না মায় পাকপা পুরকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজাল পীখি।

অমরোমদা, ককচীং সুমাক লৈকাই মখা লৌনা শীন্দুনা ককচীং সুমাক লৈকাই রোয়ল এনফিল্ড পরেংদা পাঙথোকখিবা দিনেশ নাওরেমবু হরাউ তরাম্না ওকপা থৌরম অদুদা পরেং অদুগী শরুক্লাইরবা অহল-লমন কয়ানা শরুক য়াদুনা দিনেশকী মফমদা খূদোলপোৎশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়নননা তুংগী লম্বেলগী অফবা থৌজাল পীখি।

EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1, Security - 2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Driver - 2
- KAKCHING BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2

N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7056/28/8-3/10 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 224

**Nikolova,A (2119) - Gassanov,A (2335)**
**Universities Istanbul TUR (8), 2006.09.06**

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 d6 6.Bg5 a6 7.f4 Nbd7 8.Qf3 Qc7 9.O-O-O b5 10.Bd3 b4 11.Nce2 Bb7 12.g4 Be7 13.Bxf6 gxf6 14.Rhe1 Nc5 15.Qe3 Rg8 16.h3 O-O-O 17.Ng3 Kb8 18.Kb1 Nxd3 19.Qxd3 d5 20.e5 fxe5 21.fxe5 Bh4 22.Re2 Qe7 23.Nh5 h6 24.Rf1 Rg6 25.Nf4 Rg7 26.Ng2 Bg5 27.Qg3 Qc7 28.h4 Be7 29.Qf4 Bc5 30.Nb3 d4 31.Ne1 a5 32.Nxc5 Qxc5 33.Qxh6 Rxg4 34.Qf6 Rc8 35.Qxf7 Ba6 36.Nd3 Bxd3 37.cxd3 Qb5 38.Qf3 Rf4 39.Qxf4 Qxd3+ 40.Ka1 Qxe2 41.Kb1 d3 42.Qf2...

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 223 Ans. :**
32. ...Rxb3 33.Rxf6 The white rook captures Black's bishop, which was defending square d8. The white rook captures Black's bishop, which was defending square g5.Rxf6 34.Rd8+ Kf7 35.Ng5+ The white knight clears the way for White's queen to the square e8.hxg5 36.Qe8# Dovetail mate 33.Rxf6 Rxf6 34.Rd8+ Kf7 35.Ng5+ hxg5 36.Qe8#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com